# ঈচেল এক্সপ্রেস

Vol.III, Issue No.003
IMPHAL WEDNESDAY 13 SEPTEMBER 2017


## বিজেপিগী লায়রবা কোকহন্নবা ৱাশক

বিজেপিগী নেসনেল লিদর রাম মাধবনা মথংগী চহী মঙাদা লৈবাক অসিদা লায়রবা লৈহল্লরোই হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা পীখ্রে। মোইরাংদা পাঙথোকখিবা স্বামী চিনমায়ানন্দ মেমোরিয়েল লেকচরদা ৱা ঙাংবদা বিজেপিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা রাম মাধবনা ২০২২দদি ইন্দিয়াদা লায়রবা অমত্তা লৈররোই হায়না য়াম্না মথৌ পোঙনা ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসি লৈবাক অসিনা পায়খৎলিবা লায়রবা কোকহন্নবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙদোকখিবা ওইগনি। অদুবু, লৈবাক অসিদগী লায়রবা কোকহন্নবা থৌরাং অসিদি ইন্দিয়ানা হেক নীংতম্বা ফংবদগী লাকখিবা তোঙান-তোঙানবা লৈঙাকশিংগী মতমদগী অদুমক পায়খৎতুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী ৭০ রোম অসি লৈবাক অসিদগী লায়রবা কোকহন্নবা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিং পায়খৎচরবসু লায়রবা মশীং হন্থরকপদি লায়রদুনা লায়রবা অমসুং ঈনাক খুনবা অনীগী খেন্নবা অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা খুনাইদা তংদু লৈতাবা অমসুং ঈং তপ্পা পুরকপদা চাউনা অপনবা ওইদুনা লৈরি। অদুনা, রাম মাধবনা ফোঙদোক্লম্লিবা ৱাফম অসি হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা য়ান্নমক মরু ওই হায়না লৌবা য়াই।

লৈবাক অসিদগী লায়রবা কোকহন্নবা পায়খৎলিবা পান্দম অয়াম্বা খুঙ্গংদা লৈরিবা মীয়ামদা মপুং ওইবা পান্দম থমই। মসিগী মপুং ওইবা মরমদি লৈবাক অসিগী লায়রবশিং অয়াম্বনা খুঙ্গংগী লমদা লৈ। অদুগা লৈফমগী মতুং ইন্না মচাক মথুম মরাং কায়না লৈতবা, লম্বী থোং ফৎতবনচিংবা কয়া অসিনা খুঙ্গংগী লমদনা লায়রবা মশীং হেন্নবা মরম অমসু ওই। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিনা লায়রবা কোকহন্নবা পায়খৎলিবা থৌরাং অসি শরুক তরুক থোক্না খায়দোকপা য়াই। শেল থোকপা লম্বী পীনবা থৌরাং, মশানা মশাবু থবক পীজনবা থৌরাং, চীঙ্গাক শোয়দনা ফংহন্নবা থৌরাং, খুনাইগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং অমসুং সহরগী মফমশিংদগী লায়রবা কোকহন্নবা থৌরাংশিংনি। থৌরাংশিং অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা ইন্দিয়াগী চহী মঙাগী থৌরাংশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া অমা পায়খৎনবা পান্দম থমই। লৌউ-শিংউবনা পুন্নমক্তগী খ্বাইদগী মকোক্তা থমই। অদুগা অতৈ মতেং পাংবা থৌরমশিং ওইনা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া অমসু মতম মতমগী লৈঙাক পুরম্বশিংনা হৌদোক্তুনা লায়রবা মীয়ামদা তেংবাং পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা পায়খৎলিবা অসিগুম্বা স্কিমশিং অসিদা পনবা য়াবদি জৱাহর গ্রাম সমরিধি যোজনা (জেজিএসৱাই), নেসনেল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম, নেসনেল ফেমিলি বেনিফিট স্কিম, নেসনেল মেটর্নিতি স্কিম, অন্নপুরনা, ইন্তিগ্রেতেদ রুরেল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (আইআরদিপি), প্রধান মন্ত্রি গ্রামীন অৱাজ যোজনা, নেসনেল রুরেল এমপ্লোইমেন্ট গরেন্তি এক্ট (নরেগা) নচিংবনি। মসি নত্তবা অতৈ থৌরম কয়া অমসু পায়খৎখ্রে। অন্তদোয়া প্লান, স্মোল ফার্মস দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম, ত্বেন্তি পোইন্ত প্রোগ্রাম, ফুদ ফোর ৱার্ক প্রোগ্রাম, মিনিমম নীদস প্রোগ্রাম, স্বর্না জয়ন্তি গ্রাম স্বারোজগার যোজনা, রুরেল হাওসিং প্রোগ্রাম, ইন্দিরা অৱাজ যোজনা... মমিং পনবদা লোইবা নাইরোই। অদুবু, হায়রিবা স্কিমশিং, প্রোগ্রামশিং নৎত্রগা থৌরাংশিং অসিনা ইন্দিয়াগী লায়রবা ক্রোর ১০০ রোম অসিদা করিসু কান্নবা ফংদবগুম তৌরি। লৈবাক অসিনা পায়খৎচরিবা থৌরাং কয়া অসিগী মথক্তা ৱার্ল্ড বেঙ্ক, ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দ, এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ক লোয়ননা ঈনাক খুনবা লৈবাক কয়ানসু লৈবাক অসিগী লায়রবশিংগী য়াইফনবা তেংবাং কয়া লেপ্তুনা পীদুনা লাক্লি। পূন্নমক অসিদা য়েংবা তারবদি লৈবাক অসি নহান্না লায়রবা অমত্তা লৈতবা, ঈনাক খুনবা ঙাক্তনা খুন্দাবা লমদম অমা শোয়দনা ওইরম্লগনি।

লায়রবা কোকহন্নবা নৎত্রগা চাওখৎ-থৌরাংগা মরী লৈননা করিগুম্বা থৌরাং অমা লাউথোকপা হায়বসি থোইদোক্না লুদে। লৈবাক অসিদা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা ২০১৪দা লাকখিবদগী তোঙান তোঙানবা য়াইফ-থৌরাং ১০০গী মথক্তা লাউথোকখ্রে। য়াইফ থৌরাংশিংগী মনুংদা খরদি হান্নদগী পায়খৎতুনা লাকপা অদুগা নৌনা মমিং ওন্থোকপনি হায়না কংগ্রেসনা মরাল শীবসু লৈরিবনি। মসিনা মায়কৈ অমদা থল্লগা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসি লৈবাক অসিগী লায়রবশিংদা য়ৌফম থোকপা চাং অদু চপ চানা য়ৌরিবরা হায়বা য়েংশিনবগী থবক্তি মপুং ইফা ফাদবগুম তৌই। লায়রবশিংগী মিংদা পীবা খুদোংচাবশিং শক্তি লৈবশিং, অঙম-অথৌশিংগী খুৎতগী নাম্থোরকপা মতমদদি কোলুদগী চুবা থোক্লকপগুম করিসু কান্নবা ফংদবগুন্না লৈরি। মসিগী মপুং ওইবদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা তশেংনা মরু ওইরিবসি করিনো খঙদনা থৌরাং অমা পায়খৎনবা হেক্তা হোৎনখিবদগীনি। ৱাহৌদোক খঙদনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। অলবর্ট আইনষ্টাইন্না হায়রম্বা, 'করিগুম্বা ৱাথোক অমগী ৱারোইশিন পুরক্লবা ঐঙোন্দা পুং অমগী মতম পীরবদি অহানবা মিনিট ৫৫দু ৱাথোক অদু খঙনবা হোৎনগনি অদুগা লেমহৌরিবা মিনিট ৫দনা ৱারোইশিন থিবদা শীজিন্নগনি' হায়বা ৱাফম অসি থৌশিল শেম্বশিংগী কোক্তা লৈবা মথৌ তাই। হৌখিবা ১৯৫০ অমসুং ১৯৬০গী মতমদা তাইৱান অমসুং খা কোরিয়া অসি লায়রবদগী লায়রবা লৈবাকশিং ওইরম্মী। অদুবু ঙসিদি লৈবাকশিং অসি ঈনাক খুনবা লৈবাক ওইরে। অদুনা লৈবাকশিং অসিদা লায়রবসু লৈত্রে। মসি মখোয়না কৈথেল শেমগৎপগী ইথিল লৈবদগী কৈথেলগী শেম্মিৎলোন শাগৎপা ঙম্বদগীনি। মসিগীদমক্তা মপান লৈবাকশিংদগী নৎত্রগা ৱার্ল্ড বেঙ্কনচিংবদগী শেন্থং লৌরগা পায়খৎপা য়াই। অদুবু, লৈবাক অসিদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিদি শূনীং চৎনীংবা হন্থহনবা, অমগা অমগা চাংদন্নবগী ৱাখল্লোন লৈহন্দবনা অয়াম্বা ওইনা তৌরি। মরম অদুনা, লৈবাক অসিদা থৌরাং কয়া পায়খৎলবসু লায়রবগী মশীং হন্থহনবা ঙমদনা লৈরিবনি। লৈবাক অসিদগী লায়রবা কোকহনগে হায়রবদি অনৌবা স্কিম লাউথোকপনা য়ারোই, মীপুম খুদিংমক শূনীং চৎনীং পোক্কদবা, অমনা অমগা হিদান্নদুনা হোৎননীংবগী ৱাখল্লোন শাগৎহনবা নত্তনা থোইদোক্না কান্নবা পুরক্লোই।

# "মৈতৈ" হায়বসি চীং তম অনীগী অপূনবা মমীংনি-২

**■ রঘু লৈশাংথেম**

পাক চাওরবা তেংপানবগী ইপাকপু ইরোয়দুনা লানবা ঙম্লোয়দবা মরম্না তাইবং হকচাংদা পুশিল্লগা তাইবং কয়ালোন্দগী পুথোক্তুনা নৈনরগসু মৈতৈগী হৌরকফম য়াম্না লায়না ফংবা ঙমই। খুদম ওইনা হায়রবদা লায়নিংথৌ অশিবনা নোংখোং কোয়রগা নৱা অঙাং ওইবা পাখংবনা ফম্বাল কোয়বগা মান্নবগুম, নুমিৎ-থা থৱানমিচাক্কী অরাপ্পবু অরাপ-অৱাং ওন্নবী খূৎলয়াগী মতেংনা ফল্লগা অরাপ্পা পুথোকপা ঙম্বগুম মীওইবগী তাইবং কয়াৎলোন নৈনরগসু অমম্বদা লৈখ্রবা তাইবংপানগী হৌরকফম লোয়ননা মৈতৈগী হৌরকফম লায়না পুথোকপা ঙম্মী। হৌজিক লৈরিবা মীরোল অসিদগী হংকৎনা মপা-মপুগী খোঙ্গুল লিরগা মথং-মথং কৈরাক থাদুনা কাখৎপদা মীওইবগী অহানবা হৌরকফম অদুগী হেক মতোন য়ৌবা মতমদা তেংপানবগী হৌরকফম, মাগী লাইগা শম্নফম মপুগী মনাক য়ৌনবু কারুবা ঙম্লবদি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা মৈতৈগী হৌফম ৱারী অদু য়াম্না লায়না খঙবা ঙমগনি।

নোংলোন সাকোক নৈনবগী ৱারোন খরদদি নুমিৎ থা থৱানমিচাক অমসুং লেংলি পাল্লিবা অচৎ চৎতা লোয়ননা অহাংবগী মনুংদা লৈরিবা মঙাং লুৱাং খুমন হায়রিবা মতম মহুম লাই অহুম অসি অমতা ওইনা শুপ্লগা তেংপানবা মপুগী হকচাং অমা ওইএ। মপুগী হকচাং মনুংদা লৈরিবা মতিক ময়ায় চেল্লবা নুমিৎতগী শরুক খর মালেম লৈশা খাইথখি। মালেম লৈশানা নুমিৎতগী লাপথোকহন্দবা লৈনা কোয়বা তাওনা থম্মে, মালেম লৈকোই পুং নৎত্রগা তাওরোয়লায় হায়নসু কৌএ। নুমিৎকী মশামক্তগী অতিয়া শিদবগী কোঞ্জিল তিংথোকপগা অনী পুথোকএ। অতিয়াগী কোঞ্জিল তিংথোকপগা অনী তিন্নদুনা নিংথৌ অপনবু নোংলুমগী মশক ওইনা তাওরোয়লায়গী ময়ানা উমনা পুথোরকপবু মালেম লৈপাক্কী তারক্লে।

নিংথৌ অপানববু নুমিৎকী মশক ওইনা য়ারিরোক্তা য়োক্তুনা থাবুম তরা নাওপুদুনা নুমিৎকী শাগৈ পাখংববু কোকএ। মপা নুমিৎপু পাখঙবা কৌএ। নুমিৎকী মচা হায়বদি মৈগী মচা ওইবনা মৈ পকএ, তৈয়ে "মৈতৈ" কৌই। মতৌ অসুন্না নুমিৎকী মচু তরেৎ লৈবগুম পাখঙবগী শাগৈ অমসুং মাগী চাদা নাওদাবু য়েক-তরেৎ শাখায়রক্লে। মসিদগী নুমিৎকী মতিক ময়াই মৈ য়াওই, পকই, তৈ হায়দুনা মৈতৈ কৌখ্রে। মরম অসিনা মৈতৈবু নুমিৎকী শাগৈ পাখঙবগী চাদা নাওদা হায়রিবনি। মৈতৈবু নুমিৎকী শাগৈ করম্না ওইরিবনো করম্না নুমিৎ নৎত্রগা মৈগী মতিক ময়াই মঙাল তৈরিবনো নৎত্রগা পক্লিবনো হায়না হংবা তারবদি মদুগী পাউখুম মৈতৈ অমা ওইনা ঐখোয় পূন্নমক্না খঙমীন্নবা চংই। মতৌ অসুন্না মৈতৈ হায়বসিসু তুবি নোংদা লাইরেন পাখঙবনা পুথোকপীরম্বা হৌদোকপীরম্বা পাখঙবা লাইনিং নৎত্রগা মৈতৈ লাইনিং চৎপা মীওই পূন্নমক পাখঙবগী মচা মশুনি হায়বা ৱাফম অসিদা য়েৎননিংঙায় ওইদে। মৈতৈবু পাখংবগী মচা মশুনি হায়বা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবদি পাখংবদি নুমিৎকী শাইওন্নি। হায়বদি নুমিৎনা নিংথৌ অপানবা ওইনা লাক্লগা মালেম লৈপাক অসিদা পাখঙবা ওইনা পোকপীবনি। নোংদা লাইরেন পাখংববু নুমিৎ অদুমক্লি হায়বসি "নুমিৎ কাপ্পা" হায়বা রুয়া অদুনসু উৎলি। পাখঙববু নোংদগী তারকপা লাইরেল পাখঙবা হায়নসু খঙনৈ।

তোপ-তোপ্পা মরম অমদি মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবনা খ্বাইদগী হান্না খুঞ্জাও তাবা কৌবু চীংদোন অসিনি। কৌবু চীংনা তাক্লি মদুদি চীংতম অমত্তনি। চীং-তম মৈতৈনি হায়বসি ময়েক শেংহল্লি। চীংগী-অকোয়বা চীংগী অকোয়বা চীংশা মখৈদি কৌবুগী চীংশাংনি। তমগী চীংগী অকোয়বা তম্পাক মখৈসু কৌবু তম্পাক্লি। হৌরকফমসু অমত্তনি। মপাসু অমত্তনি। মমাসু অমত্তনি। ঈ অমত্তগী মচানি। চীংমী তম্মী মচিল মনাওনি হায়বগী পুয়াদা শেংনা ইদুনা লৈরম্মী। মসিনা তাকই চীংমী তম্মী অনীবু মৈতৈ কোই। চীংমী তম্মী অনীগী লৈপাকপু মৈতৈ লৈপাক খঙনরে। ঙল্লিঙৈ মতমদা লৈপাক অসিদা মৈহৌরোলদগী খুন্দা লৈতাদুনা লাক্লিবা মীওই কাংলুপতি মৈতৈ খত্তনি। চীংমী তম্মী মচিন মনাওনি হায়বগী পুয়াদা শেংনা ইদুনা লৈরম্মী। চীংদা লৈবা মীনা হৌ (হাও) কৌরম্মী। তমদা লৈবা মীনা মৈতৈ হায়না কৌনরম্মী। হৌজিকসু হৌ (হাও) মৈতৈ হায়না কৌনরি। মরম অদুনা চীংমীসু মৈতৈনি। তম্মীসু হৌ (হাও) নি হায়বদা করিসু অকায়বা লৈতে।

> চীংমী তম্মী মচিল মনাওনি হায়বগী পুয়াদা শেংনা ইদুনা লৈরম্মী। চীংদা লৈবা মীনা হৌ (হাও) কৌরম্মী। তমদা লৈবা মীনা মৈতৈ হায়না কৌনরম্মী। হৌজিকসু হৌ (হাও) মৈতৈ হায়না কৌনরি। তম্মীসু হৌ (হাও) নি হায়বদা অকায়বা লৈতে

মৈতৈ ঐখোয়গী ইপা ইপুনা নীংবা লাইদি উমং লাইনি। লাইনিংথৌ তাওথিংনা কৌবুগী মচানুপা হৌ (হাও) নি। তাওথিংমা তমদা তম্পাক্তা পানখিবা মতমদা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক কৌরম্মী। নোংদা লাইরেন মশামকসু হৌ (হাও) নি। অদুগুম্বা হৌ (হাও) মচা অদুনা কংলৈপুং ময়োন্দা মৈতৈ নিংথৌ ওইনা ফম্বাল কাখ্রবা মতুংদা চীমী তম্মী অনীমক ঙসি ফাওবদা হৌ (হাও) অমদি মৈতৈ হায়বা খঙনরি। হৌরকঙৈগী মতদা মচিন মনাও অনীনা তোঙান-তোঙাননা চীংদনা অমা তমদনা খুন্দানখ্রবদা হৌখা (হাওখা) লোকখা হায়না খঙনরম্মী। মতমদুন্দা চীং-তম ফুরুপ অনী খায়দোকখিবা ফুরুপ অনীগী য়োয় মোংবনা নিংথৌ ওইনা কৌবুদা পাল্লম্মী হায়রি। অদুগা চকপা হায়বদি সেমাই ফৈয়েং অন্দ্রো লৈমারামনচিংবা মখোয়দি তম্পাক্তা ইহান হান্না খুন্দখিবা মখোয়সি মৈতৈ অশেংবা অমসু অরিবনি হায়না পুয়া কয়াদা ফোংদোক্নরি। চীংমীনা ইহান হান্না কৌবুদা লৈরম্বদগী চীংদা খুন তোঙান তোঙাননা খুন্দাবা হৌরকখি। হৌ (হাও)গী মচা মশুশিংদা চীংদা খুন্দাদুনা লৈখি। ইহান হান্না মাখেল হায়বা মফম অসিবু ৱাশকফম হায়না খঙনখি। লাইগী চৈশু পাই ৱারেন (তাওরে) চৈশুনা উ পাম্বী ওইনা হৌরম্মী অমসুং হৌরি। মসিবু হৌজিক মখেলদা হৌরিবা হৈত্রোই পাম্বী অসিনি হায়না লৌনরি। হায়রিবা উপাম্বী অদুগী মশা অমা তেকপদা ইপা ইপুশিংনা থৌ তৌনরম্মী। মসিবু উ পাম্বীগী মাইকৈ মরি খুদিংদা পাও পীদুনা লাই শোন্দুনা লাই খুরুম্বনি মাও, মরাম, প্রৌমাই তাংখুল কবুই মরিং অনাল লমসাং চোথে, তরাও চিরু চকেসাং অঙ্গামী, আও সেমা রেংমা লোথা অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট ৮ (নিপান) অসি ঈ অমতগী মচা মশুশিং ঙাক্তনি। চ াবা থকপা ফিজেৎ ফিরোল চৎন-লোনচৎ অমত্তা চীংদা লৈবা হৌ (চাও) গী মচা মশুমক্তনি। খৃষ্ট ১৭ দা শান্তিদাসকী রামন্দি ধর্ম্ম লৌখ্রবা নিংথৌ পামহৈবগী মতমদা তম্মীশিংনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌখিদুনা চীংমী তম্মী অনীগী মরক্তা অচৌবা অশেং-অমাংগী শিংচেপ থাদুনা খায়দোক্লখিবনি। অদুগা অমরোমদা খৃঃ ১৮৯৫ দা খৃষ্টান ধর্ম্ম চীংমীশিংনা লৌখিবদগী লৈপাক্কী অকায়বা পুরকপা হায়বা ময়েক শেংনা খায়দোক্লুরকখিবনি।

ঙসিদি "মৈতৈ" ওইজবা চীং-তম্মী অনীবু তেঙানবা জাৎ কাংলুপ ওইনা উনরক্তুনা তোখায় তানবগী লৈই চিংলকপগুম তৌরিবসি ঐখোয় পুন্না খঙমীন্নবা চংই। মৈতৈশিংগী হৌরকলাই ওইবা হায়বা কোংবমরু মোন্দুম ইঙৌরোক হিয়াংথাং, ৱারোইচিং নোংদম নোংদ্রেন মন্তক চিংবা ইপা লাই ইপু লাই কয়ামরুম চীংদা লৈরি। নাকল অমরোম হাওবু চীংমীনি হায়না খংনরবু মৈতৈসু হাওনি। মৈতৈ ঐখোয়গী ইপা লাই ইপু লাই কয়ামুক চীংনুং মুং উমং-ৱামং কয়ামুক্তগী হৌরকপা ওইবনা "উমংলাই" হায়না খঙনরে। অদুগুম্বা উমংলাই অদুবু ইরাৎ থৌনি তৌবদসু "চীংঙু খোইয়ুম লাইনিংথৌ, চীংঙু খোইয়ুম লাইরেম্বী হায়না চীংবু পন্দুনা খুরুম্নরি। মতৌ অসুন্না মৈতৈনা চীংখক্তবু লাইনিং অমা ওইরকপা অসিনা মৈতৈবু চীংমীনি হায়বসু তাক্লি। মৈতৈসু চীংমী ওই হায়বসিনা ৱাখল্লোন্দি চীংমী তম্মী অনীমক মৈতৈ ওইরে হায়বনি। ■

# ইশাগী খুদোং চাবতা খনবনা কা হেন্না লম্বী চিলহনবনি

**ওন্থোকপনিদা মণিপুর-৫৫**

**অঙৌতোন খুমন**

মীওইবা হায়বসি তোঙান-তোঙানবা মান্নদবা ৱাখল খনবনা ভাপ তানবা হোৎনবদা মতম কয়া অমা চংলিবনি। করিগুম্বা কান্দা ভাপ তাবা মাল্লগা তাদবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। ইম্ফাল মনুংদা কা হেন্না লম্বী চীল্লিবা অসি লৈরিবা লম্বীশিং অসি পীকপনা ওইহনবা নত্তে। ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইবগী ৱাখলনা পীকপনা মতম পূম্বদা লম্বী চীল্লিবনি। ঐ-ঐগী খূদোংচানবা, নুঙাইনবা হোৎনবদা মীওই কয়াদা চাওনা অয়েৎ অপন ওইহল্লিবনি। ঙসিদগী নুমিৎ ২০নিমুক্কী মমাঙদা ওইরম্বা ট্রাফিক জাম ঙসিদি খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লে।

ইম্ফাল মনুংগী এরিয়া খরা মরু ওইনা (ৱাহেং লৈকাই, জিরি পার্কিং, নগামপাল, কৈশামপাৎ মচিন, চেকোন মচিন, আইএমসি মমাং, এস বি আই, এম জি এভেন্যু মমাং, থাঙ্গাল বজার, সেক্রেটরিএট বাবুপারা অসিনচিংবা এরিয়া অসিদা ৱাখল খনবা ঙম্বা গাড়ী থৌবা মীওইশিংনা ৱাখল পীকপা মশাগী ওইজবতা খনবা খুনাইগী খন্দবা কয়ানা মতম কুইন-কুইনা গাড়ী খাম্বা, খাম্লবসু খাম্নিংবা মওংদা খাম্বা কয়ানা পাক্লবা সড়ক নুমিৎ খূদিংগী জাম থোকহন্দুনা অথু-অকায়গী মীওই কয়াদা চাওনা অয়েৎপা পীরি। মখোয়না নুংঙাই নুংঙাইনা মাগী-মাগী মথৌ তৌরি।

সেক্রেটরিএট মমাংদা নৎত্রগা মসিগী অকোইবদা মরু ওইবা ওফিস কয়া অমা, লৈরি হায়বা খঙই অদুবু লুরিবদি অঙম অথৌ, ওফিসার ময়ামগী গাড়ীশিং মতম কুইনা কুইনা খামদুনা থম্বনা লম্বী চীলহল্লি। হায়রিবা এরিয়া অদুদা ইস্কোর্ট গাড়ী কয়া অমা খামদুনা লৈ, মসিগী মথক্তা ওফিসর ইমপ্লোয়ি, ভিজিটর কয়াগী গাড়িসু য়াওরিবনি। পুলিস হেদ ক্বার্টরস মমাংদসু গাড়ী মচা কয়া অমসু খল্লি। মফম অসিদা এম এল এ /মন্ত্রিশিংনা মথৌ তৌবদা ইস্কোর্ট গাড়ীশিং য়াওদবনা মখোয়দি ওফিসরশিং মন্ত্রিশিং, তোঙান তোঙানবা ফম্নাইবশিংগী ইস্কোর্টনা ওফিস ফাওবা থীনবিরম্লগা ওফিস মতম লোইদ্রিফাও নৎত্রগা থবক চখোকত্রিবফাওবা অহাংবা মফম অমদা পুন্না গাড়ীশিং অদু থৌদোকহল্লবদি লম্বী চীনবা খরদি ফরগনি। হিরম অসিদা ট্রাফিক্কী এস পিনা মীৎয়েং চংহন্নিংই মসি তুং কোইবা য়াবা থৌরাং ওইহন্নিংই। সেক্যুরিটিগী মতাংদা হায়রবসু মনাক অদুদা পুলিস ষ্টেসন অমা অমদি পুলিস হেদ ক্বার্টরস লৈবনা থোইনা ইস্কোর্টশিং মথৌ তাদব্রা। হায়বসিনি। জিরি পার্কিংগী অকোইবদা বিষ্ণুপুর-তিদ্দিম লাইনদগী লাকপা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংনা পুন্না-পুন্না খাম্বনা লম্বীগা খরা পীকপনা কা হেন্না লম্বী চীল্লে। পেসেঞ্জরশিং দ্রোপ তৌরম্লগা অহাংবা মফম অমদা খামহল্লগা সেরিএলদা পেসেঞ্জর পীক অপ তৌহনবগী থৌরাং তৌরবদি লম্বী চীনবা ফগনি। অমরোমদা ময়াই লম্বীরোমদা সর্ভিস তৌরিবা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং মথক্কী অসুন্না শিনবীবদা লম্বী চীনবা খরা ফগনি অমদি ফুটপাঠ তা কোল-লিক য়োল্লিবশিংনা লম্বী ৱ্লোক তৌরিবা অসিসু মীৎয়েং চংবা মথৌ তাই। ৱাহেং লৈকাইগী ক্রোসশিং ওটোনা, মী লাম্থোক লানশিন তৌবদা য়াম্না চাওনা অকায়বা ওইহল্লি। ওটো কয়া থোং মথক অমসুং ময়াদা কুইনা খামদুনা লৈ। ওভর ব্রিদজ মখোংদগী হৌরগা নগামপালগী লম্বীদা দুকান ফম্বশিংগী পোৎ হেন্দোক-হোঞ্জিন তৌবগী দুকান মপুগী গাড়ীশিংনা ঙসি ফাওবা লম্বী চীন্দুনা লৈহল্লে মদুদসু নত্তনা পেসেঞ্জর সর্ভিস তৌবা কয়াগী পীক অপ দ্রোপ তৌফম ওইবনা কা হেন্না লম্বী চীনবনি। দুকান ফম্বশিংগী গাড়ীশিং ওপোজিট সাইদতা লৈরিবসি অহাংবদা পার্ক তৌহনবা মথৌ তাই। লম্বী অসিদি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। কৈশামপাৎ জঙ্কসনগী এরিয়া অসিদসু মীওই কয়ানা মাগী মাগী দুকান মমাঙদা গাড়ী খামজিন্দুনা লৈরি। ফুটপাঠ কয়া পোৎ য়োনশিন্দুনা লৈবা কয়ানি। কোনুং মমাংগী সিতি কনভেনসনগী ময়া খোঙনাং মখোংগী জগা অদুদসু চেক্কোন মচীনফাওবা খাম্লিবা গাড়ীশিং লৌথোকহনবা মথৌ তাই। হট্টাগী ওইল পম্পগী জগাদা চীল্লিবা লম্বীদুদা খাম্লিবা গাড়ীশিং মফম চানা খাম্নবা ট্রাফিক পুলিসনা হোৎনবা থেংনৈ মসি অফবা খোঙথাংনি। লমলোং বজারগী অকোইবদা লম্বী পীকপনা মরম ওইবগা নুমিৎ খূদিংগী গাড়ী কয়া জাম থোকপগী ফীভমদা লৈরি। লম্বীগী নাক য়েৎতা স্ত্রিট ভেন্দরশিংনা পোৎ য়োনবতা নত্তনা দুকান মপুশিংনা মাগী মাগী গাড়ী কুইনা খামদুনা থম্বনা লম্বী অসিদা কা হেন্না চীনবগী মশক উবা ফংই। গাড়ী থৌরিবশিংনা মাগী-মাগী অপাম্বা মওংদা গাড়ী খামদ্রবা অমদি দুকান ফমলিবশিংনা দুকান মমাংদা হেক্তা গাড়ী খাম্বগী হৈনবীনা লম্বী চীনবনি। পাওনা বজারদি হায়দনা কান্নদ্রে। ট্রাফিক পুলিসনা হন্দক নীংথিংনা মথৌ তৌরকপা উবদা অপেনবা ফাওই। জেব্রা ক্রোসশিংদা লানবা মীশিংগী য়েংবীদবা ট্রাফিক পুলিস খরা লৈরি মসিদা নৎত্রগা ক্রোসশিং মথক্তা গাড়ী খামজিনবা কয়া লৈরিবসি খামহন্দনবা দ্যুতি তৌরিবা পুলিস অদুনা হায়বা মথৌ তারি।

গাড়ীদি থৌগনি খঙবা করম্বা মওংদা থৌগনি খঙদবা জেব্রা ক্রোসশিংগী ৱাহম্থোক ফাওবা খঙদবগী অপীকপা ৱাখলনা লমজিংলিবা গাড়ী থৌবা কয়া অমা লমদমসিদা লৈবনা ট্রাফিক পুলিসকী অৱাবা অমদি ওইরি। মশানা মশাবু ট্রাফিক পুলিস ওইবা গাড়ী থৌবা মী কাংলুপ অমা লমদমসিদা লৈবনিনা শেমদোকপদা খরদি ৱাখিগনি। ট্রাফিক পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টতা মথৌ তৌরিবা অসুন্না অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু তৌরবদি ট্রাফিক পুলিসনা মংজরিবা মঙলান মঙফাওনবদা মতম য়াম্না চংলোই। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফ্রী থারগা লৈবনা ট্রাফিক রুল খঙদবা মীগী মশিং য়াম্লকপনি। ■

> ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টতা মথৌ তৌরিবা অসুন্না অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু তৌরবদি ট্রাফিক পুলিসনা মঙজরিবা মঙলান মঙফাওনবদা মতম য়াম্না চংলোই। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফ্রী থারগা লৈবনা ট্রাফিক রুল খঙদবা মীগী মশিং য়াম্লকপনি

**গভর্ণমেন্টতা ৱাকৎ**

# লৌফম মাঙদনবা লাইফমশিংদা য়ুম, ওফিস শাগদবনি

**য়ুম্নামচা খুরাইহোংবা(সুর্জিৎ) মৈতৈ**

জেনেরেল শেক্রেটরি, কংলা লাইফমলেন ইপুধৌ মার্জিং ইবেঙ্গৌ খুলবুলৈমা ইপুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা ইবেঙ্গৌ য়াইসনা থৌগল্লোইশিং, খুরাই থোইদিংজম লৈকায়, ইম্ফাল

য়াম্না পীক্লবা লমদম অমা ওইরিবা সনা লৈবাক মণিপুরদগী য়াম্না থাপ্পা লৈরবা জপান, চাইনা, কোরিয়া, অমেরিকাগী মীওইশিংনা হায়রম্মী, সনা লৈবাক মণিপুরদি লাইগী লৈবাক্লি। মরম অদুনা হায়রিবা ৱাফম অসি ঐখোয়না খন্থবগী মতমদু লাক্লে। অমুক্তং মুন্না খল্লগা য়েংসি-তাইবং মীওইবা ঐখোয় খূদিংমক তম্পাক্তা লৈরমদে, তম্পাক অসিদি ঈশিং ঙাক্তা লৈরম্মী। ঐখোয় খূদিংমক চীংদা লৈরম্মী। করম্বা চীং-অৱাং কৌবু অশুপ্পা লৈমরেল খুন্দা অহানবা হায়রিবা অসি তাইবং মীওইবা ঐখোয়না ইহান হান্না খুন্দাবা মফমনি। মথংদা ইবুংধৌ মার হনবা মার্জিং অমদি ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবগী খুভম চীংয়াং অকোইবদা খুন্দারম্মী।

খুরাই তোপ মোইরাং কম্পু কংলদা লৈবা চীংখ্রৈ য়াইফু নিংথৌগী জগাগী চীংশা নোংপোক নিংথৌ পাম্ছেইবী অনীনা কায়দোংলিবা জগা মীয়াম্না বারুনি চীং মমাই মাপল লোংবা চীং অসিগী অকোয়বদা অমদি ৱাখা হায়না খঙনবা চিংলাই নোংদ্রেন পাখংবনা কায়দোংবা মফম অসিগী অকোয়বা চীংশা, লাঙ্গোল নিংথৌনা কোনবা জগাদা মালেম তাইবং ইমানা জগা থাংজিং ইবুধৌনা কোনবা জগাগী চীংশা অসিগী অকোইবদা খানা চাউবা ৱাংবুরেন ইবুধৌ কোনবা জগাগী চীংশাং হায়রিবা লাইফমশিং অসিগী জগাদা অমদি মসিদা য়াওহৌদবা লাইফম খূদিংদা ইহান হান্না তাইবং মীনা খুন্দাবা লৈতাবা হৌখি, মথংদা ঈশিংনা কংলবা মতমদা তম্পাক্তা খুন্দারম্মী। মফম অদুবু ঙসি ফাউবা ইহান হান্না কংই হায়না মহাকপু কংলা লাইফমলেন হায়না খঙনরি। লৌবুক্তা লৌফমদা য়ুম অমদি ওফিস শাগনু হায়না হান্নগী সরকার অমদি অনৌবা সরকারনা লাউরি। মসি ঐখোয়না মুন্না খল্লগা কলহৌদ্রবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি লৌফম খূদিং মাঙখিবা শোয়রোই। মরমদি মীগী মশিংগা লমগী পাক চাউবগা য়েংনবদা মীশিংনা য়াম্বা হেল্লি। মরম অদুনা লৌবুক্তা লৌফমদা য়ুম অমদি ওফিস শাজিনবা অসি কোকহনগে হায়রবদি ঐখোয়না মথক্তা পনখ্রিবা ঐখোয়বু পোকপীবা পলেম পম্ছৌশিংগী মশাইকোন খূদিংদা লায়রবা য়ুম ইঙ্খোল লৈজদ্রবশিংগী খন্দুনা থৌরাং তৌজরিবা অসিদা হান্নগী অমদি হৌজিক্কী সরকার পায়রিবশিংনা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু।

ঐখোয়দা নুংশিবিদুনা থবক খূদিংমক শীন্নবিয়ু অমদি মসিদা থৌদাং লৌগদবা লূপ অনী হায়বদি ওল মণিপুর দলিট দিভলপমেন্ট এসোসিএসন অমদি কংলা লাইফমলেন ইবুধৌ মার্জিং ইবেঙ্গৌ খুমুলৈমা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা ইবুধৌ লাইস্না থৌগল লোয়শঙগী মীওইশিংদা মতেং পাংবীয়ু অথুবা মতমদা লূপ অনীদা নুংশিবিদুনা চানবীদুনা শিন্নবীয়ু। ৱাফম অমনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর শ্রী ওক্রম ইবোবি সিংহনা অমদি মহাক্কী কাঙবুনা কংলাগী লাইফমলেনশিংগী মনুংদা লাইশঙ অমদি পুখ্রি কয়া শেম্বীরম্মী। লাইফম কয়া খাদুনা থম্বীরম্মী। হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইবীরিবা শ্রী নোংথোম্বম বীরেন-না মশামক্না কংলা লাইফমলেনগী মনুংদা লৈবা ইন্ত্রোগেসন সেল অমদি সিফাই খরা লৌথোক্লগা কংলা লাইফমলেন ওইনা শেমগৎকনি হায়না হায়বিরম্বা, নোংপোক থোং শাগনি হায়বীরম্বা ৱাফম অসি মতম কয়াদগী হৌনা ঐখোয়গী লূপনা লাওদুনা লাকপনি। ঐখোয়গী লূপকী প্রসিডেন্ট য়ুম্নামচা গৌরমনি খুরাইলাকপা সনা কোনুং অমদি ঐখোয়গী লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নামচা খুরাইহোংবা সুরজিৎ মৈতৈ অনীনা মৈতৈ / মীতৈ চীংমী মৈতৈ পাঙল খূদিংমক্না নুংঙাইবা অমদি হরাওবা ফোংদোকচরি।

কংলা লাইফমলেন পূন্নমক্কী মফমদা পুন্সি শাংনা লৈবাক্কী শেবা তৌদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইবীয়ু হায়না থৌনিজরি। অতিয়াদা থোকখিবা ইবুধৌ পাখঙবগী মথেক অদু ইঙেন থা তাং ২১-৭-২০১২ ইং, থাংজ নুমিত্তা থোকখি। মথংদা থৱান থা তাং ৫-৮-২০১৭ ইং থাংজা নুমিৎতা অনীরক শুবা ওইনা অতিয়াদা অমদি অহুম্লক শুবা ওইনা থৱান থাগী তাং ১৩-৮-২০১৭ ইংদা অতিয়াদা ঐখোয় পূন্নমকপু পোকপীবা ইবুধৌ পাখঙবা পথেক থোকখি। হায়রিবা অসি সনা লৈবাক মণিপুরগী মেপকী ময়াইদনি মরম অদুনা কংলা লাইফমলেন অসিনা ঐখোয়গী মণিপুরদি কংলানা ময়াইনি মরম অদুনা সনা লৈবাক মণিপুরগী অঙম অথৌ অমদি ফম্নাইবা খূদিংমক য়াওনা অমদি মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা লূপ সংস্থান খূদিংমক য়াওনা অমদি মৈতৈ / মীতৈ, মৈতৈ চীংমী / মৈতৈ পাঙল ঐখোয় পুন্না থৌনি থৌরম অথুবা মতমদা পাঙথোকউ হায়না অখং অহৈ কয়ানা তাকপীরম্মী অমদি থায়নগী অহল লমন্না হায়বিরম্মী। মসিদা থৌদাং লৌহন্নিংবা লূপ অদুদি সজাল হৌজিক্না য়ুএফওনি মরমদি অতিয়াদা থোক্লিবা অসি ইবুধৌ পাখঙবা পথেকনি অমদি সজালগী মার্কা অদুসু পাখংবা পথেকনি। মরম অদুনা মখোয়সু য়াওনা কংলা লাইফমলেন অসিদা য়াম্না চাওনা পাঙথোকপা পাম্মী।

সনা লৈবাক্কী ইনিংথৌ ওইনা লৈবিরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা য়াওনা অমদি সনা লৈবাক মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইবিরম্বা মহাক অমদি মহাক্কী কাঙবু অমদি হৌজিক্কী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইবিরিবা মহাক অমদি মহাক্কী কাংবু য়াওহনবা পাম্মী। মদু নৎত্রবদি লৈবাক অৱাবা তাগনি, মীশিং মীনা থোক্কনি। ইহান হানবদা ঐখোয় খূদিংমক চীংদা লৈরম্মী, তম্পাক অসিদি ঈশিংনা ঙাক্তা লৈরম্মী হায়বসি অরিবা পুয়ানা লেঙদ্রবা অমনি মরম অদুনা হায়রিবা থৌরম অসি তৌদ্রবদি হান্নগী তম্পাক্তা ঈশিংনা ঈপাক ওইনা লৈরনি হায়না অখং অহৈ অমদি থায়নগী অহল লমন্না হায়বিরম্মী। মরম অদুনা য়াম্না অখং অহৈ কয়া শুনা তান্নবিরগা থৌরম অসি পাঙথোকপীয়ু। ■